# সনালৈবাক স্পোর্টস

MONDAY, FEBRUARY 17, 2014, PAGE 7






*এ টি পি টুরগী শরুক অমা ওইরিবা এ বি এন অমরো ফাইনেলদা মেরিন সিলিককা থোমাস বেরদ্যচক্ক থেংনরগনি*

*চেম্পিয়ন লীগতা ব্রেন্দ মুনিসনচনা ফরিবুরগপু ৪–০ দা মায়থীবা পীখিবা মেটচ অমা*

## নুপাগী হোকিদা ফিন্দলেন্দ, কানাদা থেংনরগনি

SOCHI 2014



| Rank | Country | Gold | Silver | Bronze | Total |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Germany | 7 | 3 | 2 | 12 |
| 2 | Norway | 5 | 3 | 6 | 14 |
| 3 | Switzerland | 5 | 1 | 1 | 7 |
| 4 | Russia | 4 | 7 | 5 | 16 |
| 5 | Canada | 4 | 6 | 4 | 14 |
| 6 | United States | 4 | 4 | 8 | 16 |
| 7 | Netherlands | 4 | 4 | 6 | 14 |

*সোচি, ফেব্রুৱারী ১৬ঃ*
সোচি ওলেম্পিককী টিম ইভেন্টশিং ঙসি অথেংবদা শান্নবা লোইশিনগনি। ঙসিনা টিমগী টিম ওইনা শরুক য়াবা ইভেন্টশিংগী অরোইবা নুমিৎ ওইরগনি। অরোইবা ওইনা পাঙথোক্কদৌরিবা নুপাগী আইজ হোকি ফাইনেলদা ফিন্দলেন্দ অমদি কানাদা শান্নরগনি।

সোচিগী সাইজ হোকি অসিগী অরোইবা ওইনা শান্নগদৌরিবা মেটচতা ফিন্দলেন্দগী কানাদাগা থেংনগদৌরি। ফিন্দলেন্দনা মমাঙদা নোর্ৱেগা শান্নখিবদা নোর্ৱেবু মায়থীবা পীবা ঙমখি। ফিন্দলেন্দগী শান্নরোইশিংনা য়াম্না চেকশিন্না শান্নবগা লোয়ননা মখোয়বু মায়থীবা পীখি।

মসিগী মমাঙদা ফিন্দলেন্দনা ওষ্ট্রিয়া টিমগা শান্নখিবদসু মখোয়না মায় পাকপা ঙমখি। অমরোমদা মখোয়গা থেংনগদৌরিবা কানাদা টিম অসিসু মমাঙদা শান্নখিবা য়াম্না নীংথিনা শান্নবা টিম অমা ওইখি। মখোয়না নোর্ৱে টিম্বু ৩–১ দা মায়থীবা পীখিবনি।


টিম অসিনা ওষ্ট্রিয়াগা শান্নখিবা মেটচতসু য়াম্না লাকচনা মায় পাকপা ঙমখিবা টিম অমা ওইখি। কানাদানা ওষ্ট্রিয়াবু নুপাগী আইজ হোকি গেম অদুদা ৬–০ দা চাউনা মায় পাকখিবা লৈবাক অমনি।

লৈবাক অনী অসিগী অরোইবা মেটচ অসি সেন্টর ষ্টেদিয়মদা শান্নগনি। মসিদা হৌজিক করম্বনা মায় পাক্কনি হায়বা অসি য়াম্না লুবা অমদি ওইরি। কানাদানা ওষ্ট্রিয়াবু মায় পাকপদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবসি মখোয়গী শান্নরোই জেফ কের্টরনি। কের্টরনা ওষ্ট্রিয়াগা শান্নবা মেটচ অদুদা হেটট্রিক ফংবগা লোয়ননা টিম অসিবু ৬–০ দা চাউনা মায়থীবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌখিবনি।



নাকল অমরোমদা ফিন্দলেন্দনা মমাঙদা শান্নখিবা মেটচশিংদা চাউনা মায় পাকখি হায়না মথক্তা পনখ্রে। মখোয়না ওষ্ট্রিয়া টিম্বু ৪–৮ দা মায়থীবা পীখি। মদুদা জার্ককো ইমোনি অমদি মাইকেল গারলুননা গোল ২–২ চন্দুনা টিম অসিবু মায়থীবা পীবদা চাউনা মতেং পাংখি।

মসিগী মমাঙদা থা অসিগী ১৪ দা নোর্ৱেগা শান্নখিবা অদুদনা মখোয়না ৬–১ দা মায়থীবা পীখি। মদুদসু লৌরি কোরপিকো সেকনা গোল ২ চন্দুনা চাউনা মায় পাকখিবনি। ঙসি অথেংবদা শান্নগদৌরিবা অসিদা কনানা গোল্ড মেদল ফংগনি হায়বদু খঙদ্রি। ফিন্দলেন্দনা ভেনকোভরদা ইং ২০১০ দা পাঙথোকখিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক অদুদা ব্রোঞ্জ মেদল লৌখিবনি।



## সোচি ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী ফ্লেগ পাইহনখ্রে

*সোচি, ফেব্রুৱারী ১৬ঃ*
ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা সাউথ এসিয়নগী লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়াবু মতম খরা বেন্দ তৌরুবা অদু হাংদোকখিবগা লোয়ননা রুসিয়াগী সোচিদা হৌজিক চত্থরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক সোচি গেমদা ইন্দিয়াগী ফিরাল পাইহনখ্রে।

ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা লৈবাক অসিবু ইং ২০১২ গী দিসেম্বরদগী অথিংবা থমদুনা লাকখিবা অদু হন্দক চহীগী ফেব্রুৱারী ১১ দা ইন্দিয়ন ওলেম্পিক এসোসিয়েসনগী অনৌবা ওফিস বিয়ারর খন্নবা ইলেক্সন পাঙথোকখিবগা লোয়ননা নৌনা এন রামা চন্দ্রনা আই ও এগী প্রসিদেন্ট ওইরকপগা লোয়ননা লৈবাক অসিগী মথক্তা থম্লম্বা অথিংবা অদু লৌথোকখিবনি।

ইন্দিয়াগী মথক্তা অথিংবা থম্লম্বা অসি লৌথোকখিবগা লোয়ননা রুসিয়ানা যুম্ব ওইদুনা সোচিদা পাঙথোক্লিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়াবা লৈবাক মশীং অসি ৮৮ শুখ্রে। আই ও সিনা ইন্দিয়াবু থা ১৫ গী অথিংবা থম্লম্বা অদু লৌথোকখিবগা লোয়ননা আই ও এগী ইলেক্সন পাঙথোকপা নুমিৎ নীনীগী মতুংদা ইন্দিয়াদা থম্লম্বা অথিংবা অদুসু লৌথোকখিবগা লোয়ননা সোচিদা শরুক য়ারিবা ইন্দিয়াগী টিম অমদি ওফিসিএলশিংগা লোয়ননা ইন্দিয়াগী ফিরাল পাইহনবগী থৌরম অদু ইন্দিয়াগী মরুপ মপাংশিংগা পুন্না পাঙথোকখি।



ওলেম্পিক অসি হৌদোকপদা ইন্দিয়াগী এথলেট অহুম অমসুং ওফিসিএলশিং অসি ওলেম্পিক্কী ফিরাল মখাদা সেরিমোনি অদুদা শরুক য়াখিবনি। গেম অসি থা অসিগী ২৩ দা লোইশিনগদবনি। ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্কী ফিরাল মখাদা লৈরিঙৈ মনুংদা কম্পিটিসন্দা শরুক য়াখিবা শিবা কেশবননা ফোঙদোকখিবদা ঐখোয় অমুক হন্না ওলেম্পিক্তা ইন্দিয়াগী এথলেট ওইনা শরুক য়াবা ফঙলে হায়না পনখি।

লাইবকথীবদি ইন্দিয়ানা ওলেম্পিক্কী ফিরাল মখাদা লৈরিঙৈদা মহাক্না কম্পিটিসন শরুক য়াখি। অদুমওইনমক ইন্টর্নেসনেল ওলেম্পিক কম্মিটিনা লৈবাক অসিদা থম্লম্বা অথিংবা অসি লৌথোক্তুনা ওলেম্পিক অসিদা শরুক য়ারিবা লৈবাকশিংগী মনুংদা ইন্দিয়াবু তোঙানবা লৈবাক অমা ওইনা শরুক য়াবা অমুক হন্না ফংলকপা অসিদা মহাক্কী মায়কৈদগী য়াম্না নুঙাইবা ফাওই হায়বা ব্রাফম ফোঙদোকখি।

পৃথিবীদা মীশিং য়াম্বদা অনীশুবা লৈবাক অমা ওইরিবা ইন্দিয়ানা হৌজিক চত্থরিবা ৱিন্টর ওলেম্পিক গেমস অসিদা অমুক হন্না ওলেম্পিক্কী ফেমেলি ওইনা শরুক য়াবা ফংবা অসিদসু নুঙাইবা ফোঙদোকখি।

ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা সোচি গেমস অসিদা শরুক য়াই হায়বা খঙবা মীওই কয়া অমা মফম অসিদা লাক্তুনা শান্নবা অসিবু য়েংলি। মখোয়না চৎলু চৎলুবা মফম খুদিংমক্তা ইন্দিয়াগী ফিরাল উবা ফংখিদে। মরমদি মতম অদুদা ইন্দিয়াদা থম্লম্বা অথিংবা অদু লৈবনা মরম ওইদুনা ইন্দিয়াগী ফিরালবু ওলেম্পিক পাঙথোক্লিবা মফমশিংদা পাক্কনা থেৎলিবা লৈবাকশিংগী ফিরাল মরক্তা য়াওবা উদবদগী মীওই কয়া অমনা নুঙাইতবা ফোঙদোক্লকখি। অদুমওইনমক অথিংবা অসি লৌথোকখিবদা ইন্দিয়াগী ফিরাল ওলেম্পিক্কী মফম শীনবা থুংনা থেৎখ্রে হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না চেম্পিয়ন ওইখ্রে



*জিরিবাম, ফেব্রুৱারী ১৬ঃ*
লক্ষিম্পুর ফুটবোল একাদমি লক্ষিম্পুর কাছার আসাম্না শীন্দুনা থা অসিগী ৮ দগী ইরল হায় স্কুল প্লে গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা অহানবা অন্দর ১৪ বোইস থিংবাইজম বাবাসনা সিংহ মেমোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্টকি চেম্পিয়ন ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসন্না সিলচর ফুটবোল একাদমি সিলচরবু গোল ২–০ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবা ফাওবদা টিম অনীমক্না গোল অমত্তা চনবা ঙমনখিদে। সেন্দে হাল্ফ হৌদুনা মখা তানা শান্নরকখি। মেটচ অদুগী ৫৭ শুবা মিনিটতা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী শান্নরোই গাইস্যুইলুংনা পেনালটি এরিয়া ময়াদগী কাওখিবা বোল অমা সিলচর ফুটবোল একাদমিগী গোল কিপ্পরনা ফাবা ঙমহৌদবদগী অহানবা গোল ওইখি।

গোল চনখ্রবা মতুংদা জিরি স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী শান্নরোইশিংনা মায় পাকপাগী আশা তৌবা হৌখিবগা লোয়ননা মখা তানা গোল চনশিন্নবা কন্না হোৎন্দুনা শান্নরকখি। মেটচ অসি লোইগদবা শুপ্নগী মিনিট ১০ খক্তমক ঙাইরবা মতমদা ওল জিরিবাম স্পোর্টস এসোসিয়েসনগী শান্নরোই গাইঙমলুংনা ৮০ শুবা মিনিটতা গোল অমগা চন্দুনা ২–০ দা লৈখি। অপীবা মতম লোইবা ফাওবদা সিলচর ফুটবোল একাদমিনা পোরিবা গোল অমত্তা হন্দোকপা ঙমদনা মায়থীখি। টিম অসিগী শান্নরোই অমা ওইরিবা গাইস্যুইলুংনা বেষ্ট প্লেয়রগী মনাসু ফংখি।

## ইমসুক হৈঙাংনা অহানবা ৱাই এস এস যু গী চেম্পিয়ন ওইখ্রে




*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ঃ*
য়ং সোসিএল সার্ভিস য়ুনিয়ন শগোলবন্দ নেপ্রা মেঞ্জোর লৈকাইনা শীন্দুনা টিম ৮ না গ্রুপ অনী থোক্তুনা শরুক য়াদুনা থা অসিগী ১৩ দগী চত্থরকখিবা অহানবা ৱাই এস এস য়ু ষ্টেট লেভেল মেন্স ওপন ট্রোফি কেস প্রাইজ ছেপাকটাক্রো চেম্পিয়ন্সিপকী ৱিন্নর ইমসুক হৈঙাংনা ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুনা ইমসুক হৈঙাংনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) বু সেট ২–১ দা মায়থীবা পীখিবনি। অহানবা সেট অদুদা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) ইমসুকপু ২১–১৫ দা মায়থীবা পীখি।

অনীশুবা গেমদা ইমসুকনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) বু ২১–১৬ তা মায়থীবা পীখি। টুর্নামেন্ট অসিগী রুলগী মতুং ইন্না গেম অনী শন্নবদা টিম অনীমক্না অমমম মায় পাক্লরবনিনা দিসাইদিং ওইনা অহমশুবা গেম শান্নখি। অহমশুবা গেম অদুদসু ইমসুকনা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (বি) বু ১৬–১৪ দা মায়থীবা পীদুনা চেম্পিয়ন ওইখিবনি।

থার্দ প্লেসকি মেটচতা মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (সি) না মণিপুর পুলিস স্পোর্টস ক্লব (এ) বু ষ্ট্রেট সেটতা ২১–১৮, ২১–১৯ দা মায়থীবা পীখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা কৈশামথোং কেন্দ্রগী এম এল এ লাইশোম ইবোমচানা চীফ গেষ্ট অদুগা শগোলবন্দ কেন্দ্রগী এক্স এম এল এ ডা কে ঐচ লোকেননা প্রসিদেন্ট ওইখি। অদুগা গেষ্ট ওফ ওর্নরনা ওল মণিপুর ছেপাকটাক্রো এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট কে ঐচ দোরেন্দ্রনা ওইদুনা মকোক মথং তারবা টিমশিংদা মনা পীখি। বেষ্ট প্লেয়রনা ইমসুককী সি ঐচ কান্দনা তাখি, বেষ্ট টেকোংদসু ইমসুককী এম সুসিলকুমারনা তাখি।

## অহানবা স্প্রিং লেদিজ সোক্কর ফেষ্টিভেল লোইশিনখ্রে

*ইম্ফাল, ফেব্রুৱারী ১৬ঃ*
টি ঐচ বিরচন্দ্র সিংহ ফুটবোল একাদমি, লাইওন্স ক্লব ওফ লৈমরোল অমদি কোভর কোচিং ইন্দিয়ানা পুন্না খূৎশম্নদুনা শীন্দুনা থা অসিগী ১৩ দগী ঙসি ফাওবা চত্থরকখিবা অহানবা স্প্রিং লেদিস সোক্কর ফেষ্টিবেল টি বি এস এফ এ গ্রাউন্দ তবুংখোক্তা লোইশিনখ্রে।

হৌদোকপগী থৌরম অদু থা অসিগী ১৩ গী অয়ুক পুং ৯ তাবা তমদা কোভর ইন্দিয়া ফুটবোল কোচিং হৌবগা লোয়ননা নুমিৎ অদুগী পুং ১১ তাবা মতমদা ইম্ফালদা লাকখিবা টিবেট ৱুমেন্স ফুটবোল টিমবু ওকখি। মথংগী নুমিৎ তাং ১৪ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা টিবেটকি অন্দর ২০ ৱুমেন্স টিমগা টি ভি এস এফ এ অন্দর ২০ ৱুমেন্স টিমগা ফেন্দলি মেটচ অমা শান্নখি।

থা অসিগী ১৫ গী নুংথিল পুং ২ তাবা মতমদা টিবেটকি অন্দর ২০ টিম অসিগা মণিপুর ভেটরান ৱুমেন্স টিমগা ফেন্দসিপ মেটচ অমা শান্নখি। ঙসি অরোইবা নুমিত্তা টিবেট অন্দর ২০ ৱুমেন্স টিমগা মণিৱুদ ৱুমেন্স টিমগা শান্নখি।

মেটচ অদু য়েংবা লাকপা ভাবক্কী মশীং য়ামখি। মরমদি টিবেটকি শান্নরোইশিংগী হৈথোই শিংথোইবা মরক্তা মণিপুরী ফিল্মগী মমিং লৈরবা এক্ট্রেস কয়ানা শুনা য়াওরবা মণিৱুদ ৱুমেন্স টিম অসিগী শান্নবা য়েংবা লাকপা ভাবক কয়া অমসু য়াওখি।



টিম অসিদা মণিপুরগী মমিং লৈরবা ফিল্ম ষ্টার বালা, তোম্বোই, সোমা, সুসমিতা, অবেনাও মোমোকো, মেরিনানচিংবা শান্নরোই কয়া য়াওবা অদুদা মীৎয়েংফম ওইবা ভাবক কয়া অমসু য়াওখি। মেটচ অদুদা টিম অনীমক্না গোল ২–২ চন্নদুনা দ্রো ওইখি।

অহানবা হাল্ফ ফাওবদা টিবেট অন্দর ২০ ৱুমেন্স টিম্না গোল ২–১ দা মাঙজিল থাদুনা লৈখিবনি। অহানবা হাল্ফ মনুংদা মণিৱুদ ৱুমেন্স টিমগী শান্নরোইশিংনা পোরিবা পাঞ্জল অদু ইক্কেলাইজ তৌনবা কন্না হোৎনখি অদুবু টিবেটকি টিম্না য়াম্না কন্না দিফেন্স তৌদুনা শান্নখিবনা অহানবা হাল্ফকি মতম লোইবদা গোল অনীমক হন্দোকপা ঙমদবদগী মখোয়না গোল অমা হেন্দুনা লৈখিবনি।

অনীশুবা হাল্ফ মনুংদা মণিৱুদকি ৱুমেন্স টিম অসিনা কন্না হোৎনদুনা শান্নখিবগা লোয়ননা গোল ২–২ দা দ্রো ওইদুনা ঙসিগী মেটচ লোইশিনখি।

সোক্কর ফেষ্টিবেল অসিগী চেম্পিয়ন অসি মপালদগী লাকখিবা টেবেট টিমদা পীখি। অদুগা রন্নরস অপনা মণিপুরগী মণিৱুদ ৱুমেন্স টিমদা পীখি।

লোইশিনবগী থৌরম অদুদা মণিপুর লেজিসলেটিভ এসেমব্লিগী স্পিকর টি ঐচ লোকেশ্বরনা চীফ গেষ্ট ওইদুনা মকোক মথং তাখ্রবা টিমশিংদা মনা পীখি।


Millennium Institute of Sciences

Presents for the first time

MILLENNIUM SCHOOL

From 2014-15 Academic Session opening

**Daycare, Prenursery, Nursery Classes & K.G.**

From this Academic Session onwards at Sagolband Salam Leikai, Imphal - 795001

**Special features :** AC room for daycare

- Home away from home for day care
- Hygienic mid day meal for day care
- Audio Visual Classrooms
- Play-way method of teaching system
- Well equipped teaching and playing materials of latest technologies
- Well experienced and trained faculties with seniors from Delhi Public School.

*Form available from 7th November 2013*

@ Millennium School Office, Sagolband Salam Leikai.

& Millennium Institute of Sciences, Kwakeithel Mayaikoibi.